# কুমজা ২০০৯দা গোৱাদা তৌখিবা ৫৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস অন্দর ১৪দা ঐহাক বেষ্ট গোল কিপ্পরগী মনা লৌজবা ঙন্নকখি

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা



এলাংবম পান্থোই চনু
ইন্টর্নেসনল ফুটবোল্লর

(ঙরাংগী মখা)

অদুগা ঐখোয়গী এলাংবম শাগৈ ইমুং-মনুংগী ওইনদি মপুং ওইনা এদ্যুকেসন লাইনদা য়াম্না থৱায় য়াওনৈ। লাইরিক লাইশুদা অয়াম্বা মায়ওন থম্নৈ। ডাক্তর ওইবা, ইঞ্জিনিয়র ওইবা, অৱাংবা থাক্তা মহে-মশিন তম্নবা, অখন্নবা দিগ্রি লৌননবা অদোমদা ঙাক্তা ৱাখল থাদনৈ। ঐখোয় এলাংবমগী ইমুংদগী ঐহাকখক্তনি শান্নবরোমদা হায়দোরক্লিবসি। অদুনা বাবা পোকপা ইপুবোক (এলাংবম ইবোয়াইমা মৈতৈ) নদি ঐনা শান্ন-খোংনবদা থৱায় য়াওবসি কয়া পাল্লকখিদে। লাইরিক্তা হেন্না হোৎনহন্নিংবদগী খরা ঙাংবা-চৈবা অদুম তৌরকখি।

অমরোমদা, ঐনা পিক্লিঙৈ মতমদগী ফি মতুম তাশিল্লগা শান্নরকপা, লৈকাইগী শান্নবুঙদা চেন্থোক চেন্থোক্লগা শান্নরকপা, ট্যুসন চৎলগা মতম চানা ট্যুসন মফমদা চঙলমদবা, লোইরমদাইদা ঙাইহাক চঙলল্লগা হেক হেক হল্লকপসি বাবা, ইমা অমদি ঐগী বাবা পোকপা ইবোক (এলাংবম ওংবী মেম্মা লৈমা) নদি মুন্না খঙবীরকখি। মখোয়নদি ঐনা শান্নবা পাম্বদু উবদা ফুল সপোর্ট তৌবীরকখি। মতম চানা ট্যুসন মফমদা লাক্তবগী কমপ্লেন্ট তৌরক্তুনা মমৈদদি ঐহাক য়ুমদা ওইনা তোঙাননা ওজা কৌরগা ট্যুসন তৌহল্লকখি। বাবাগা ইমাগনসু নহাক্না শান্ননিংলবসু লাইরিক য়াওদবা য়ারোই, ট্যুসনসিদসু নহাক থৱায় য়াওগদবনি, অদুগা শান্নবদসু পুক্নিং চঙগদবনি হায়দুনা পীক্লিঙৈদগী পাউতাক কয়াসু পীবিরকখি। ট্যুসন হেক লোইবগা শান্নবা চৎকদৌরিবনিনা লাইরিক ঙাইহাক তম্বা অদুদসু ঐহাক থৱায় য়াওনা হোৎনজরকখি।

লাইরিকসিসু ফজনা পারগা এগজাম অদুম পীগে অদুগা শান্নবসিদদি ঐনা হেন্না পামজরুরবনিনা ফোকস ফজনা পীনবা হোৎনগে হায়বসি ঐহাক্না শান্নবা হৌরকপা মতমদগী খনজদুনা লাকচখি।

ইশাগী চহী ১২/১৩ হায়রকপা মতমসিদগী ঐহাক শান্নবদনা অয়াম্বা ৱাখল্ থাদদুনা লাকখ্রে। ইপুবোকনা শান্নবদা থৱায় য়াওবা পামদ্রবসু বাবা, মমা, বোবোক্না য়াবনিনা নঙনা বোলদা চৎকে খল্লবনিনা বোল শান্নবদা ফাওননবা কন্না হোৎনরো হায়দুনা পুক্নিং থৌগৎপীরকখি। শান্নবা হৌরকপা মতমসিদদি ইমুংগী মীনা য়ারোইদ্রা খনবদগী ঐহাক লোন্না লোন্না তুমিন তুমিন অদুম শান্নবা হৌজরকখি। বোল শান্নবদা উপ্পবা খোঙউপ লৈবীয়ু হায়বা কিজবদগী স্কুলগী খোঙউপ তোঙলগা কাউরকখি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীনবা ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদা মথং মথং মায় পাক্লত্তুনা ইশাগী চহী ১২ শুরকপা মতমদা প্রোলোগ্রাউন্দদা তৌবা ট্রায়ল কোচিংদা য়াওননবা খঙহল্লকখি। মতমদুদদি অঙাংসু ওইরিবনিনা বাবা ইমাগনা ঐবু অদুম থিনবীরকখি। ঐনা লৈজরিবা কৈরকসিদগী পোলোগ্রাউন্দ য়ৌবসি পুং অমরোম চঙই। অয়ুক্কী পুং ৬ নংনবা মতমদুদা ঐহাক নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০দগী হৌগৎলগা হেক হেক লাকখি। করিগুম্বা মতমদনা ঙনমন্দুনা গাড়ি থোরক্তবগী অৱাবা কয়াসু থেংনরকখি। কৈরক্তগী পুং ৬ নংনবা লাকখিবদু অরাইবা থবক অমদি ওইখিদে। মমা-বাবানসু ঐনা থৱায় য়াওবদু উবদা তত্তনা থিনবীরকখি। গাড়ি খরা থেংনা হাইগৎকদবা নুমিৎতদি থওইনা গাড়ি অমা নেল্লগা লাকখিবসু য়াওখি। হেক নংদবদা ওজানা চৈ-থাংবা, পনিসমেন্ট পীবা তৌগদৌরিবনিনা মদু থোক্তনবা য়াম্না কন্না হোৎনজরকখি। ইমাগা বাবাগসু ঐনা শান্নবদু অদুম য়েংলগা লোইদ্রিফাওবা লৈরকখি। কোচিংগী লাকপা, ট্রায়লগী চৎপা মতমসিদা নোংজু-থাগী মতমদদি য়াম্না খুদোংচাখিদে। অদুবু পুন্নমক্ত ঙম্ন-ঙম্নবা অকনবা চেলেঞ্জ অমগা লোয়ননা শিঙনদুনা লাকখি। ঐহাক্না চহী ১২গী মতমদা পোলোগ্রাউন্দ তানা লাক্তুনা শান্নজবা ঙমখিবদুমদি ইমাগা বাবাগনা ঐগীদমক ফজনা লেপ্পীবদগীনি। নত্রগদি শান্নবসি লমখাংদা তোক্লম্বসু য়াই। ঐহাক্না ফনা পামজরবসু ইমুংগী সপোর্ট য়াওরমদ্রবদি মখা তানা শান্নবা ঙম্নমদববু য়াই। ঐগীদি লাইবক ফৱনা ইমুংদগী ফুল সপোর্ট ফঙজরকখি। ট্রায়ল পীবা নুমিৎকসিদি বাবা ইমানবু হেন্না থৱায় ৱাখি। ইচানা অসুক থৱায় য়াওনা হোৎনরগা খল্লক্তুবদি কমদৌবা হায়দুনা পোলোগ্রাউন্দগী গেল্লরিদা ৱাগা অমত্তা ঙাংদনা তুমিন তুমিন ফমদুনা লৈরমগনি। অদুগা ইপুবোক্কী মমাংদসু চোপ্পা, ইকাইবা নংবা পামদবনিনা ফুটবোলসিদা ঐহাক মীংচৎ থম্বা ঙম্ননবা হোৎনগে হায়বসি চপ য়ুংনা খনজরগা লাকখি। ঐগী অহানবা ফুটবোল্লর অমা ওইবগী খোঙচৎসি কুমজা ২০০৭কী ওক্টোবর ২২দগী ৩১ ফাওবা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা ‘ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী শীনখিবা অন্দর-১৩ গর্লস ফুটবোল ফেষ্টিবেলদগী হৌজরকখি। মসিগী মতুং কুমজা ২০০৮গী দিসেম্বর ২৩দগী জন্যুৱারী ২ ফাওবা চেন্নাইদা তৌখিবা অন্দর-১৪গী ‘গর্লস ফুটবোল ফেষ্টিভেলদসু ঐহাক গোল কিপ্পর ওইনা য়াওজরকখি। মখা তারকপদদি গোৱাগী মারগাওদা কুমজা ২০০৯গী ওক্টোবর ২৬তগীনা ৩০ ফাওবা চথখিবা ‘৫৫শুবা নেসনল স্কুল গেমস অন্দর-১৪দা মণিপুর ষ্টেট টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। মদুদা ঐখোয়না ৱিন্নরসু লৌরকখি। লোয়ননা ঐহাক বেষ্ট গোল কিপ্পরগী মনাসু ফঙজরকখি।

...মথং-মথং...





## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্না লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্না শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিকচাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিক্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙম্নরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# গ্রিসকী নহা ওইরিবা শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিসিপাস নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৮(এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা লৈবা এভিয়েসন ক্লব টেন্নিস সেন্টরদা নুপা অমসুং নুপীগী অপুনবা এ টি পি টুর্নামেন্ট অদু নুপাগী ওইনা গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিসিপাস ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টিফানোসনা গ্রেট বৃটেনগী দোন ইভান্সপু ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না ফাইনেলদা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোবাক জেকোবিস অমসুং ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসকী লম্বা অদুগী ঙসি অথেংবদা লোইশিনগদবা রাউন্দ অদুগী অকাবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র জোন পিয়র্স অমসুং মার্ক ভেনস ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয় অনীনা ঙসি সেমীফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী জোন মেলজর অমদি ফ্রান্সকী রোজর বেসিলিনবু ৭-৬ (৭-২), ৬-২দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র অদুনা ফাইনেলদা ইংলেন্দগী ঐচ কোন্তিনেন্ট অমদি জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুপ অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মরাক অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী আর ক্লাসেন অনীগী অথোইবগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

# চেন্নাই সিটি এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজপু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎখ্রে

Hero I-LEAGUE
Match on 29 Feb (Sat)
KASHMIR Vs AIZAWL

মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ২৮(এজেন্সী):
হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা চেন্নাই সিটি এফ সীনা ইন্দিয়ন এরোজ টিমবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি মুম্বাই সিটিদা লৈবা কুপরেজ গ্রাউন্দদা ইন্দিয়ন এরোজগী টিমনা য়ুম্থু ওইরগা চেন্নাই সিটি এফ সীগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী মাংওইননা চেন্নাই সিটি এফ সী মেচ ১৩ শান্নবদা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা ইন্দিয়ন এরোজ টিম ১১না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা শুপ্পগী পোইন্ট ৮ ফংলগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখিনি। টিম অদুনা মেচ ১৩ শান্নখিবদা মেচ ২ খক মায় পাকখিবা অমদি মেচ ২ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৯ মায়থীখিবদগী ফগৎহন্ননবা ঙসি মেচ অদুদা কন্না হোৎনখি।



মেচকী অহানবা হাফ অদুদা ইন্দিয়ন এরোজগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদা বোল কয়া পুশিনখি। অদুবু মখোয়না পামখিবা পাঞ্জলশিং অদুদি চনবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ চেন্নাই সিটিগী এটেক অমদা ৪৮শুবা মিনটতা ফিটোনা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা ইন্দিয়ন এরোজবু ১-০দা মাংজিল থাখি। পাঞ্জল শোখরবা নহা ওইরিবা টিম ইন্দিয়ন এরোজগী শান্নরোয়শিংনা মায়কৈ খুদিং য়েংদুনা ইক্কেলাইজর থিরকখিবা অদু ফংখিদে। মেচকী ৬০শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটিগী মায়কৈদগী ৱাই কাটসুমিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমখি। লেমহৌবা শান্নবগী মতম অদুদা ইন্দিয়ন এরোজগী টিম শোথখিবা পাঞ্জল অনী হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি। চেন্নাই ৩শুবা থাক্তা হায়গৎখি।

# নদাল অমসুং গ্রিগোর দিমিট্রোপ সেমীফাইনেলদা থেংনরগনি

একাপুলকো, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
মেক্সিকোগী সিটি একাপুলকোদা লৈবা প্রিন্সেস মুন্দো ইম্পরিএল টেন্নিস সেন্টদা পাঙথোক্লিবা নুপাগী ২৭শুবা অমসুং নুপীগী ২০শুবা মেক্সিকো ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ২ রাফেল নদাল অমসুং বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোবকা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ অদুগা ৱর্ল্ড নম্বর ২ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় সুন ৱু কোওনবু ইৱা ৱাদনা ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-২, ৬-১দা থোইরবা মতুং সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোবনা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় স্বিজর্লেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা নদালগা সেমীফাইনেল থেংনগদৌরবনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা য়ু এস এগী শান্নরোয় অনী জোন ইস্নর অমসুং টি ফ্রিটজ লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ জোন ইস্নরনা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নরোয় টি পোলবু ৭-৬ (৭-৩), ৩-৬, ৬-২দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্কী লম্বা অদু গ্রেট বৃটেনগী কে এদমুনবু ৬-৪, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বা অতোপ্পা য়ু এস এগী শান্নারোয় টি ফ্রিটকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা য়ুম্থু লৈবাক মেক্সিকোগী আর জরাজুৱা অমদি কানাদাগী এল এ ফর্নানদেজ সেমীফাইনেল লম্বা তৌনরগনি। জরাজুৱানা স্লোভেনিয়াগী জিদানসেক অমসুং ফরনানদেজনা রসিয়াগী পোটতাপোভাবু থোইখি। অতোপ্পা সেমীফাইদেলদা চাইনাগী ৱাং অমসুং বৃটেনগী ৱাটসন থেংনরগনি।

# আগস দ্বি সান্তোসোনা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসগী কোচ ওইরগনি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা ইন্দোনেসিয়াগী কোচ আগস দ্বি সান্তোসোনা চহীসিগী মার্চ থাদগী ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী সিঙ্গলসকী কোচ ওইনা থৌ পুরগনি।

মহাক্না ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিং অদুবু জপানগী টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াননবা শেম শারকপা অদুনা মতেং পীগদৌরিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, সাউথ কোরিয়াগী কিম জি হ্যুননা হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংবু চাওনা কোচ অমা ওইনা মতেং পীরন্নবা মতুং থবক্তগী তোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দোনেসিয়াগী কো সান্তোসোনা মহাক্কী মহুৎ শীল্লকখিবনি।

সান্তোসোনা চৎলিবা অসিগী জুলাই ২৪দগী আগষ্ট ২৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী মাংওইননা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অসিবু লমজিং লমতাক্কদৌরি।

হিরমসিগী মতাংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়াগী ওফিসলশিংদা সান্তোসোবু ইন্দিয়ানা লাক্লনবগী অয়াবা পীবিয়ু হায়বা লৈখ্রে।

# বেলারসকী এরিনা সবালেনকা কটার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল য়ৌখ্রে

Qatar TOTAL Open 2020

দোহা, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোক্লিবা কটার ওপন দব্লীয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা বেলারসকী এরিনা সবালেনকা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী এরিনা সবালেনকানা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা রসিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভাবু অকনবা লম্বা অমদা ৬-৪, ৬-৩দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



মহাক্না ফাইনেলদা ঙসি অথেংবদা লোইশিনগদবা নম্বর ১ সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্তি অমসুং ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় জেক রিপল্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেল থেংনগদবা ২গী মশকসু খঙবা লোইখি। নম্বর ১ সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমসুং জেক রিপল্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভাগা ৬শুবা সিদেদ পেয়র কানাদাগী গেব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং লাটভিয়াগী এলিনা ওষ্টাপেনকোগা শান্নগদৌরিবনি।

ঙসি সৈ সু ৱৈ অমদি বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা সেমীফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র জেক রিপল্লিক্কী শান্নরোয় ২ বারবোরা ক্রাইচিকোভা অমদি কেতারিনা সিনিয়াকোভাবু ৬-৪, ৪-৬, ১২-১০দা থোইখি।

কানাদাগী গেব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমসুং ওষ্টাপেনকোনা সেমীফাইনেলদা হঙ্গেরিগী বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী লাদেনোবিসপু থোইরম্বনি।

# ইন্দিয়া আই এস এস এফ শুটিং ৱিদ্রো তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী শুটিং টিমনা সাইপ্রস লৈবাক্তা মথং থাগী ৪দগী ১৩ ফাওবা ইন্টর্নেসনল শুটিং স্পোর্টিস ফেদরেসননা রিকোগনাইজ তৌবা সোটগন ৱর্ল্ড কপ্তা নোভেল কোরোনাভাইরসকী চীংনবা লৈবদগী ৱর্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াররোই।

ইন্দিয়াগী টিম অদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরকপা পাউতাক্কী মতুং ইন্না সাইপ্রসকী আই এস এস এফ সোটগন অদুদা য়াওরোইদৌরিবনি হায়না নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখি। লায়না লায়চৎ অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩০০০ য়ৌগদবা মীয়ামগী পুন্সি মাংহনখ্রবনি।

# আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ্তা ইংলেন্দনা পাকিস্তানবু রন ৪২দা অদুগা সাউথ অফ্রিকানা থাইলেন্দবু রন ১১৩দা মায়থীবা পীখ্রে

ICC WOMEN'S T20 WORLD CUP AUSTRALIA 2020

কেনবেরা, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্থু ওইদুনা লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা পাঙথোক্লিবা আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’গী মেচ অনীদা ইংলেন্দনা পাকিস্তানবু রন ৪২দা থোইখ্রে। লোয়ননা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেচ অমদা সাউথ অফ্রিকানা থাইলেন্দবু রন ১১৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইংলেন্দ অমসুং পাকিস্তানগী মেচ অদুগী টোস পাকিস্তাননা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুনা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৫৮ লৌখি।

মদুগী পাউখুমদা পাকিস্তাননা শুপ্পগী রন ১১৬ লৌরগা শান্নরোয় ১০মক আউট ওইদুনা মেচ অদু মায়থীবা নংখি।



অতোপ্পা মেচ অমদা সাউথ অফ্রিকা অমসুং থাইলেন্দগা শান্নরকপদা সাউথ অফ্রিকাগী লিজেল লিনা রন ১০১ লৌখি। টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ৱিকেট ৩ তুখিবদা রন ১৯৫ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা থাইলেন্দগী টিম শুপ্পগী রন ৮২দা ৱিকেট ১০মক আউট ওইখিবদগী অপুনবা রন ১১৩দা থাইলেন্দগী টিম অদুবু ইংলেন্দগী টিমনা চাওনা হেন্দুনা মায়থীবা পীখি।